# কোভিদ কেস ৱাংখৎলকপদগী মধ্য প্রদেশকী পঞ্চায়ত মীখল য়েথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে

ভোপাল, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা কোভিদ-১৯ কেস হেনগৎলক্লিঙৈ মরকসিদা মধ্য প্রদেশকী হোম মিনিষ্টর নারোট্টম মিশ্রানা ষ্টেট অসিগী পঞ্চায়ত মীখল য়েথোকপগী ৱাফম হৌদোকখ্রে।



ষ্টেট এসেমব্লি সেসনগী অরোইবা নুমিৎতা পাউমীশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা মিশ্রানা হায়খি, মীখলনা মীওইবগী পুন্সিদগী হেন্না লুদে। লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা অমদি মধ্য প্রদেশতসু কোভিদ কেস ৱাংখৎলক্লে হায়বসি চুল্লবা ৱাফম ওইবনা ঐহাক্কী মোটতদি পঞ্চায়ত মীখল য়েথোকপনা ফে হায়নিংই। ঐহাক্কী কেপাসিটিদা ঐহাক্না চীফ মিনিষ্টরদা পঞ্চায়ত মীখল য়েথোক্ল বা তকশিল্লগনি। অদুম ওইনমক পঞ্চায়ত মীখলগী অরোইবা ৱারেপ অদুদি চীফ মিনিষ্টর শিভরাজ সিংহ চৌহাননা কৌরিবা মীফমদা লৌগনি।

ও বি সীগী রিজর্ভেসন য়াওদনা পঞ্চায়ত মীখল পাঙথোক্তনবগী রিজে ল্যুসন অমা মধ্য প্রদেশ এসেমব্লিনা শগোলশেন নুমিৎতা মোত অমত্তা ওইনা পাস তৌখিবদগী পঞ্চায়ত মীখলগী মতাংদা তম্না ঙমদবা ফিভম অমা লৈরকখি।

চৈরকসিদা সুপ্রিম কোর্টনা দিসেম্বর ১৭তা পাঙথোকখিবা মহারাষ্ট্রগী ও বি সী রিজর্ভেসনগা মরী লৈনবা পিটিসন অমগী হীয়ারিংদা মেট্টর অদুবু ষ্টেট তৌখিবগা লোয়ননা মধ্য প্রদেশ ষ্টেট ইলেক্সন কম্মিসনদসু ৱারেপ অদুগা মান্ননা চৎনবা খঙহনখি।

সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অদুগী মতুংদা রুলিং বি জে পি অমসুং ওপোজিসন কোংগ্রেসনা অমনা অমবু এন্টি-ও বি সী ওই হায়না মরাল শীখি। কোংগ্রেসনা ইস্যু অসি এসেমব্লিগী নিংথম মীফমগী অহানবা নুমিৎতগী পুখৎখি অমসুং গভর্ণমেন্টকী চপ চাবা ফিরেপ খঙহন্নবা তকশিনখি। মদুগী মতুং তাবদা ও বি সী রিজর্ভেসনগা মরী লৈনবা সুপ্রিম কোর্টকী ৱারেপ অদুগী মতাংদা রুলিং বি জে পিনা এপেক্স কোর্ট অসিদা রিভিয়ু পিটিসন অমা ফাইল তৌখি।

মধ্য প্রদেশকী পঞ্চায়ত মীখল তাঙ্কক অহুম থোক্না কুমজা ২০২২গী জান্যুৱারী ১৬তা পাঙথোক্কদবনি।

# বাইক হুরানবা গেং অমা লমজিং লমতাকপীখিবা পুলিস পর্সনল ফারে, বাইক ৫৩ রিকোভর তৌরে

বেঙ্গলুরু, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
বাইক হুরানবা খুৎপু অমা শেম্বীখিবা লমজিং লমতাক্তুনা শেম্বীখিবা পুলিস পর্সনল অমা ইরাই নুমিৎতা কর্নাটকা পুলিসনা ফাখিবগা লোয়ননা লুপা লাখ ৭৭ রোমগী ওইগদবা বাইক ৫৩সু রিকোভর তৌখ্রে। রেকেট অদুগী কিংপিন ওইরিবা একুজ হোন্নাপ্পা দুরাদাপ্পা মালাগি বিদ্যারান্যাপুরা পুলিস ষ্টেসনদা অটেচ তৌবা ক্রাইম পুলিসকী কন্সটেবল অমনি।



য়মালাগিগা খুৎশম্নদুনা রেকেট অদুদা য়াওরিবা ফিগী দুকানদা থবক তৌবা পর্সনল অসিগী দিরেক্সনদা পাঙথোকপা বাইক হুরানবগী থবক্তা চেন্নবা চহী নৌরিবা নুপামচা অনী হৌজিক পুলিসনা ৱাহং-পাউহং তৌরি।

দি সী পি (ৱেষ্ট) সন্দীপ পালিতগী মতুং ইন্না, একুজ অসিনা নুপামচাশিং অদু শীজিন্নদুনা বেঙ্গলুরুদগী টু-হুইলরশিং হুরাল্লি অমসুং গাড়ীশিং অদু নোর্থ কর্নাটকাগী সিটিশিং- দাভানাগ্রী, রানিবেন্নুর, ব্যাদাগি অমসুং অতৈ মফমশিংদা য়োন্থোকই।

একুজ অসিনা সেকেন্দ-হেন্দ বাইকশিং য়োনবা পোর্টেলশিং ভিজিট তৌদুনা রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিং কল্লেক্ট তৌখি। মখোয়না রেজিষ্ট্রেসন নম্বরশিংদু মখোয়না হুরানবা গাড়ীশিং অদুদা হাপচিল্লগা (থাজিল্লগা) কষ্টমরশিংদা য়োল্লি।

বাইক হুরানবা নুপামচাশিং অদু পুলিসনা ফাবা মতমদা একুজ অসিনা পুলিসতা ফোন তৌরগা মখোয় মহাক্কী মরী-মতাশিংনি হায়জিল্লি।

নন্দিনি লেআওট, য়াশৱানথপুর, ঐচ এম টি লেআওট, জলাগাল্লি ক্রোস, হেব্বাল, জনানাভারাথি, পীনয়া, রাজাগোপালনগর অমসুং অতৈ এরিয়াশিংদা পরিং নাইনা থোকখিবা বাইক হুরানখিবগী থৌদোকশিংদা মালাগি চেন্নখি।

ইরাই নুমিৎতা পুলিসনা বাইক অহুম মখোয়গী মপুশিংদা শিন্নখি। বাইক লৈবা মতমদা চেকশিন্নবা দি সী পি পাতিলনা মীয়ামদা আপীল তৌখি।

# বিহারগী মুঙ্গর দিষ্ট্রিক্টতা মাওইষ্টশিংনা পঞ্চায়ত লীদর হাৎখ্রে

পটনা, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
বিহারগী মুঙ্গর দিষ্ট্রিক্টতা শগোলশেন নুমিৎকী অথেংবদা মাওইষ্টশিংনি চিংনবশিংনা পঞ্চায়ত লীদর অমা হাৎখ্রে।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা পঞ্চায়ত মীখলদা মখোয়গী ওর্দর ইন্দবগীদমক মীখলদা নৌনা মায় পাকখিবা মুখিয়াপারমানন্দ টুদ্দুবু হাৎখিবনি। মুখিয়া অসিগী খৌরিদা থাঙনা লেনবগী মমি তারমখি। থৌদোক অদু মুখিয়া অসিবু ব্লোক হেদক্বার্টরস ধরহারাদা ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগদবা নুমিৎ খরনিদা ঙাইরবা মতমদা থোকখিবনি।

হন্দক্তা পাঙথোকখিবা মরোল অহুম লৈবা পঞ্চায়ত রাজ ইন্সটিট্যু-সনশিংগী তাঙ্কক ১১ থোক্না পাঙথোকখিবা মীখলদা মহাক অজিমপুর পঞ্চায়তকী মুখিয়া খনখি।

মুখিয়া টুদ্দুগী মীহাৎ কনফর্ম তৌরদুনা সব-দিভিজনেল পুলিস ওফিসর নন্দজি প্রসাদনা হায়, মহাক শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাং অথেংবদা খুৎলায় পায়বা মীওই খরনা মহাক্কী পোক্নফম মথুরাদা এটেক তৌখিবনি। অনকপা পুলিস ষ্টেসনগী পুলিস ওফিসরশিং থৌদোক থোকফমদা চঙশিনখি।

লোকলশিংনা ফোঙদোরকপদা, রেদ রেবেলশিংনা কন্টেষ্টেন্টশিংদা ৱার্নিং অমা ইস্যু তৌবগা লোয়ননা মীখল অদুদা অকক্নবা নুপী কেন্দিদেট অমা শৌগৎনবা ভোটরশিংদা হায়খি।

## চার্জসিট ফাইল তৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
দেরা সচা সৌদা খোঙলোয় মনোহরলালবু টার্গেট তৌদুনা হাৎখিবগী কেসকা মরী লৈননা নেসনল ইনভেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না শগোলশেন নুমিৎতা খালিষ্টান টাইগর ফোর্সকী ওপরেটিভ মরি চার্জসিট তৌখ্রে।

চার্জসিট অদু অনলোফুল এক্টিভিটিজ (প্রিভেন্সন এক্ট)কী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং, আই পি সীগী তোঙান তোঙানবা সেক্সনশিং অমসুং আর্মস এক্টকী সেক্সন কয়াগী মখাদা মোহালিদা লৈবা স্পেসল এন আই এগী পোর্ট অমদা ফাইল তৌখিবনি। এন আই এগী চার্জসিট তৌখিবশিং অদুদি কমল, রাম সিংহ এলিয়জ সোনা, অদশদিপ সিংহ এলাইজ আরশ অমসুং হরদিপ সিংহ নিজরনি। এন আই এগী ওফিসলশিংগী মতুং ইন্না নিজর অমসুং আরশ হৌজিক কানাদাদা লৈ।

# কোলেজ মহৈরোয় হাৎপগা মরী লৈননা নুপা তরুক, নুপীমচা অহুম ফারে

চেন্নাই, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
টামিল নাদু পুলিসনা নুপা তরুক অমসুং চহী নৌরিবা নুপীমচা অহুম ফাখিবগা লোয়ননা ক্লাস টেনগী মহৈরোয় নুপীমচা অনীবু ব্লেকমেলিং তৌবনি হায়বা কোলেজ তম্লিবা মহৈরোয় নুপা অমা হাৎপগী কেস সোল্ভ তৌরে হায়না ক্লেম তৌখ্রে।

পুলিসনা ফোঙদোরকপদা, মশাগী চহী ১৯ শুরবা প্রেমকুমারনা নুপীমচা অনীদুবু করিগুম্বা মঙোল দা শেল পীদ্রবদি সোসল মীদিয়া প্লেটফোর্মশিংদা মখোয়গী নাতৈ চাদবা ফোটোশিং থাগৎকনি হায়না হঞ্জিন হঞ্জিন কীহনখি।

মহাক্কী থৌওং অদুনা ৱাহল্লবা নুপীমচাশিং অদুনা ক্লাস টুয়েল্ভ তম্লিবী মহৈরোয় নুপীমচা অমদা মখোয়গী অৱাবদু তমদুনা খঙহনখি। ক্লাস টুয়েল্ভকী মহৈরোয় অদু মখোয়নিগী মনুংদা অমগী মচেনি। মহাক্না অশোক কৌবা মমান্নবা অমদা অমুক তমদুনা ৱারী পুম্বা খঙহনখি। অশোকনা নুপীমচাশিং অদুদা প্রেমকুমারবু থেমদুনা রেদ হিলস এরিয়াগী অচিকপা মফম অমদা লাকহনখি।

পুলিসনা হায়, প্রেমকুমারনা রেদ হিলস য়ৌবদা গেং অমনা মহাকপু কিদনেপ তৌখি অমসুং মতুং তাবদা মহাক্কী হকচাং অদু ইচানকাতুমেদ ভিলেজদা ফুলম্বা থেংনখি। প্রেমকুমারনা পায়রম্বা ফোন ফংবদগী নুপীমচাশিং অদু ফাখি। মখোয়না অশোক অমসুং মহাক্না তিন্নবশিংগী মতেং লৌখি হায়না ফোঙদোরকখি।

চহী নৌরিবী নুপীমচাশিং অদুদা নত্তনা পুলিসনা অশোক কুমার (২২), এম লেনিন (২১), এম প্রভীন কুমার (২১), ঈ জগনাথন (২২), আর ষ্টেফেন (২১), অমসুং আর মোসেস (২৯) সু ফাখি।

পুলিসকী মতুং ইন্না, প্রেমকুমারবু কিদনেপ তৌরবা মতুংদা মখোয়না মহাকপু গুম্মিদিপুন্দীদা নাইতোম ওইনা লৈবা য়ুম অমদা পুখি। মখোয়না মহাকপু টোর্চর তৌখি। মমৈথংদা মহাকপু ফূরগা হাৎখি অমসুং মহাক্কী হকচাং অদু ইচানকুতুমেদুদা ফুমখি।

মখোয় তরুকমক মেজিষ্ট্রেট কোর্টতা পুথোকখি অমসুং কোর্টনা মখোয়বু জুদিসল কষ্টদিদা রিমান্দ তৌখি। চহী নৌরিবা নুপীমচাশিং ক্যের হোম অমদা থাখ্রে হায়রি।

## বুষ্টর দোজগী মতাংদা লেপ্নবা ষ্টদি হৌখ্রে

ন্যু দেল্লী, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিদা ওমিক্রোনগী অকিবা হেনগৎলক্লিঙৈসিদা বুষ্টর দোজগী মতাংদা ৱারেপ লৌননবা কোভিদ ভেক্সিন দোজ অনীমক কাপ্পবা মীওই ৩,০০০দা সেন্টরনা ষ্টদি তৌবা হৌরগনি হায়রি। ষ্টদি অদু দিপার্টমেন্ট ওফ বাইওটেক্নোলোজিগী মখাদা ট্রান্সনেসনেল হেল্থ সাইন্স এন্দ টেক্নোলোজি ইন্সটিট্যুট (টি ঐচ এস টি আই)না কন্দক্ট তৌবনি।

কোভিদ ভেক্সিনশিংগী দোজ অনীমক কাপ্পবা পার্টিসিপেন্টশিংদা বুষ্টর দোজশিং কাপ্পুনা মখোয়গী ইম্যুনিটি লেভেলদা লাক্কদবা ফিভমশিং খঙদোক্কনি। ষ্টদি অদুনা ইন্দিয়াদা শীজিন্নরিবা ভেক্সিন অহুম- কোভিসিল্ড, কোভেক্সিন অমসুং স্প্যুটনিক ভি কোভর তৌগনি। সোর্ছ অমগী মতুং ইন্না ষ্টদি অদুদা চহী ৪০ মথক্কী মীওইশিং, চহী ৪০ মখাগী মীওইশিং, ভেক্সিনেসন তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা কোভিদ-১৯ ইনফেক্সন লৈখিবা মীওইশিং অমসুং কো-মোর্বিদ কন্দিসনশিং লৈবা মীওইশিংনা শরুক য়াগনি।

# ওমিক্রোনগী অকিবা মরক্তা উত্তর প্রদেশতা নাইট কর্ফিয়ু চৎনবা হৌরগনি

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
লৈবাক অসিগী ষ্টেট কয়াদা কোভিদ কেস হেনগৎলক্লিবসি য়েংলগা উত্তর প্রদেশতা দিসেম্বর ২৫দগী ষ্টেট শীং-থুংনা নাইট কর্ফিয়ু থম্বা য়াওনা অকনবা থৌরাং কয়া চৎনহল্লগনি।



হীরম অসিগা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাঠনা ইরাই নুমিৎতা ওর্দর ইস্যু তৌখ্রে। সিনিয়র ওফিসর অমনা ফোঙদোরকপদা, কোরোনাভাইরস লাকশিন্নবগী নাইট কর্ফিয়ু অদু নুমিদাং পুং ১১দগী অয়ূক পুং ৫ ফাওবা চৎনগনি।

অৱাংবা থাক্কী মীফম অমা চ্যের লৌখিবা চীফ মিনিষ্টরনা ওফিসলশিংদা লুহোংবগুম্বা থৌরমশিংদা মী ২০০ দগী হেন্না তিলহন্দনবসু খঙহনখি। থৌরমশিং অদু কোভিদ-১৯গী গাইদলাইনশিং ঙাক্না পাঙথোক্কদবনি অমসুং থৌরমশিং অদুগী মরমদা ওর্গনাইজরশিংনা লোকল ওথোরিটিশিংদা ইনফোর্ম তৌবা মথৌ তাগনি।

ত্রেদর খুদিংমক্না মখোয়গী ইষ্টাব্লিসমেন্টশিংদা 'নো মাস্ক, নো গুদস' পোলিসি ইলহন্নবসু অদিত্যনাঠনা ওফিসলশিংদা খঙহনখি।

ওফিসল অসিনা হায়, লম্বীদা নৎত্রগা কৈথেলদা মীপুম খুদিংমক্না মাস্ক শোয়দনা শীজিন্নগদবনি। গাইদলাইনশিং ইলহন্নবা পুলিসনা লেপ্তুনা পেট্রোলিং তৌগদবনি।

অতৈ ষ্টেটশিং নৎত্রগা মপান দগী উত্তর প্রদেশতা থুংলবা মীওইশিং ত্রেস তৌবগা লোয়ননা কোরোনাভাইরস টেষ্ট তৌনবা অমসুং বসশিং, রেলৱে ষ্টেসনশিং অমসুং এয়রপোর্টশিং মীকূপ নাহুম শিংনা য়েংশিন্নবা অদিত্যনাঠনা ওফিসলশিংদা দিরেক্সন পীখি।

## মীখল য়েথোক্নবা কোর্টনা খঙহনখ্রে

লক্ষ্ণৌ, দিসেম্বর ২৪ (এজেন্সী):
অনৌবা ওমিক্রোন ভেরি-এন্টনা কোভিদ-১৯ কেসশিং হেনগৎহল্লিবদু য়েংদুনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্নবা লেপখ্রবা উত্তর প্রদেশকী এসেমব্লি ইলেক্সন থা অমা নৎত্রগা অনী য়েথোক্নবা এলাহবাদ হায় কোর্টনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) অমুং প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা খঙহনখ্রে।

জষ্টিস শেখর কুমার য়দাবনা বেল পিটিসন অমগী হীয়ারিংদা হায়খি, মালেম অসিনা লৈরিবসি ঐখোয়না হিংদুনা লৈবা মতমদনি। কোভিদ-১৯গী মরী লৈননা জষ্টিস অসিনা পীরিবা কমেন্ট অসি কোর্ট অদুদা মী য়াম্না তিনমনখ্রে হায়না ওবজর্ভ তৌরবা মতুংদনি। য়ারবদি মীখল য়েথোক্নবা খন্নগদবনি।

ꯑꯩꯈꯣꯏ ꯁꯄꯣꯔꯠ ꯇꯧꯏ (ꯄ꯭ꯔꯣꯐ.) ꯗꯣ. ꯅꯤꯃꯥꯏꯆꯥꯟꯗ ꯂꯨꯋꯥꯡ

WE SUPPORT (PROF.) DR. NIMAICHAND LUWANG



(Prof.) Dr. Nimaichand Luwang গী লমজিং মখাদা Prime Minister Shri Narendra Modi না মণিপুর মীয়ামগীদমক পায়খৎলক্লিবা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং মায় পাক্না খোঙজেল য়াঙনা চঙশিনবদা মতেং পাংনবা 32-Wangkhem Assembly Constituency গী Polling Station No. 32/10-Kiyam Siphai Laithagol Leikai গী নুপীশিংগী ওইবা মেম্বর 39 না শাবা Women Volunteer Group অমা শেমজরে।

Group অসিনা BJP বু লুচিংবিরিবা Prime Minister Shri Narendra Modi বু থৱায় হকচাং য়াওনা Support তৌবগা লোয়ননা লাক্কদৌরিবা ২০২২গী অঙনবা শরুক্তা পাঙথোক্কদবা 12-Manipur Legislative Assembly গী Election দা 32-Wangkhem Assembly Constituency দা মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবা থৌরাংজরিবা (Prof.) Dr. Nimaichand Luwang বুসু মপূং ফানা Support তৌজরি।

**Support তৌজরিবশিং :-**
**1. Mutum Premita Devi**
**2. M. Loidang Devi**

HL-P/0998/25

নেসনল হাইৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ
(এ গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়া অন্দরটেকিং)

কোর্পোরেট ওফিস : ৩শুবা ফ্লোর, পি টি আই বিল্ডিং, ৪-পার্লিয়ামেন্ট ষ্ট্রীট, ন্যু দেল্লী, ১১ ০০০১

F. No. NHIDCL/2/(9)/Rectt Tech & Fin/2021/HR

নেসনল হাইৱেজ এন্দ ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট কোর্পোরেসন লিমিটেদ অসি অৱাং-নোংপোক লমদম অমসুং য়ুমলোন্নবা লৈবাকশিংগা ইন্টরনেসনল বাওন্দরিশিং স্যের তৌবা মফমশিংদা নেসনল হাইৱেশিং শেমগৎ-শাগৎপা/অপ-গ্রেদ তৌবা/পাকথোকপগী থবক য়াঙশিন্নবা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা মিনিষ্ট্রি ওফ রোদ ট্রান্সপোর্ট এন্দ হাইৱেজগী মখাদা লিংখৎপনি।

মখাগী ফমশিং অসি ট্রান্সফর ওন দেপ্যুটেসন বেসিসতা লৌনবগীদমক সেন্ট্রেল/ষ্টেট/য়ু টি গভর্ণমেন্ট মিনিষ্ট্রিশিং/দিপার্টমেন্টশিং, ইন্দিয়ন আর্মি/নেভি/এয়র-ফোর্স, বোর্দর রোদ ওর্গনাইজেসন (জি আর ঈ এফ), সেন্ট্রেল/ষ্টেট ওটোনোমস বোদিশিং, সেন্ট্রেল/ষ্টেট পব্লিক সেক্টর অন্দরটেকিংশিং অসিনচিংবদা থবক তৌবা মশা খিংবা, ইফেক্টিভ ওইবা অমসুং এক্সপিরিএন্স লৈবা ইলিজিবল ওফিসরশিংদগী এপ্লিকেসনশিং কৌজরি :-

| সে.নং. | ফমশিংগী মমিং | ভেকেন্সি মশিং | সী দি এ পেট্টর্নগী পে মেট্রিক্স লেভেল |
|---|---|---|---|
| ১. | এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (টি/পি) | ০২ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৪ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা১০,০০০/-] |
| ২. | এগজিক্যুটিভ দিরেক্টর (ফাইনান্স এন্দ ঐচ আর/এদমিন) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৪ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ১০,০০০/-] |
| ৩. | জেনরেল মেনেজর (টি/পি) | ১০ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৩ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৮,৭০০/-] |
| ৪. | জেনরেল মেনেজর (ফাইনান্স) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৩ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৮,৭০০/-] |
| ৫. | জেনরেল মেনেজর (লিগেল) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৩ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৮,৭০০/-] |
| ৬. | জেনরেল মেনেজর (লেন্দ এক্বিজিসন এন্দ কোওর্দিনেসন) | ০৩ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১৩ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৪ ওফ লুপা ৩৭,৪০০-৬৭,০০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৮,৭০০/-] |
| ৭. | দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (টি/পি) | ২০ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১২ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৭,৬০০/-] |
| ৮. | দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (ফাইনান্স) | ০৫ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১২ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৭,৬০০/-] |
| ৯. | মেনেজর (ফাইনান্স) | ০৮ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১১ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৬,৬০০/-] |
| ১০. | মেনেজর (টি/পি) | ২০ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১১ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৬,৬০০/-] |
| ১১. | মেনেজর (ঐচ আর/এদমিন.) | ০২ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১১ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৬,৬০০/- সী দি এ পেট্টর্ন]; |
| ১২. | মেনেজর (লিগেল) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-১১ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-৩ ওফ লুপা ১৫,৬০০-৩৯,১০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৬,৬০০/- সী দি এ পেট্টর্ন]; |
| ১৩. | দেপ্যুটি মেনেজর (ঐচ আর/এদমিন.) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-৯ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-২ ওফ লুপা ৯,৩০০-৩৪,৮০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৫,৪০০/-] |
| ১৪. | দেপ্যুটি মেনেজর (ফিন.) | ০১ | পে মেট্রিক্স লেভেল-৯ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-২ ওফ লুপা ৯,৩০০-৩৪,৮০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৫,৪০০/-] |
| ১৫. | এসিষ্টেন্ট মেনেজর (ঐচ আর/এদমিন.) | ০৩ | পে মেট্রিক্স লেভেল-৮ ওফ ৭শুবা সী পি সী [প্রি-রিভাইস তৌবা পি বি-২ ওফ লুপা ৯,৩০০-৩৪,৮০০/- প্লস গ্রেদ পে লুপা ৪,৮০০/-] |

* ফমশিং অসিগী ভেকেন্সি মশিং মথৌ তাবগী মতুং ইন্না খেন্নরকপা য়াই। এন ঐচ আই দি সী এলগী হৌজিক্কী ভেকেন্সিশিং অমসুং তুংদা লাকপা য়াবা ভেকেন্সিশিং মেনশিন্নবগীদমক সেলেক্সন তৌরবা কেন্দিদেটশিংগী পেনেল অমা শেম্বগী রাইট এন ঐচ আই দি সী এলনা রিজর্ভ তৌরি।

এপ্লিকেসন সবমিট তৌবগী অরোইবা তারিখ এদভর্টিজমেন্ট অসি ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা ফোঙবা তারিখতগী পারগা চয়োল ০৬ (তরুক) গী মতমনি। এদভর্টিজমেন্ট অসি ইমপ্লোইমেন্ট ন্যুজদা ফোঙবগী তারিখ অদু এন ঐচ আই দি সী এলগী ৱেবসাইট www.nhidcl.com উহনগনি।

ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়া অমসুং অকুপ্পা টর্মশিং অমসুং কন্দিসনশিংগীদমক এন ঐচ আই দি সী এলগী ৱেবসাইট www.nhidcl.com ভিজিট তৌবীয়ু।

এপ্লিকেসনশিং ওনলাইন মোদখক্তদা সবমিট তৌগদবনি। মদুগী লিঙ্ক এন ঐচ আই দি সী এলগী ৱেবসাইট www.nhidcl.com দা ফংগনি।

খূৎনা নৎত্রগা পোষ্ট নৎত্রগা ঈ-মেলগুম্বা অতৈ মোদতা সবমিত তৌরকপা এপ্লিকেসন অমৎতা লৌশিল্লোই।

খঙজিনগদবা ১: কেন্দিদেটশিংগী ইলিজিবিলিটি (হায়বদি চহী, সর্ভিসকী মতমনচিংবা) লেপকদবা মরু ওইবা তারিখতি ০১.০১.২০২২ ওইরগনি।

খঙজিনগদবা ২: ট্রান্সফর ওন দেপ্যুটেসন বেসিসতা এপ্লিকেসন সবমিট তৌগদবা কেন্দিদেটনা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু অচুম্বা চেন্নেলদা সবমিট তৌবসু মথৌ তাগনি। করিগুম্বা মহাক্কী এপ্লিকেসন অদু হৌখিবা চহী মঙাগী এ সী আরশিং/এ পি এ আরশিং মহাক্কী পেরেন্ট ওর্গনাইজেসনদগী নো ওবজেক্সন সর্টিফিকেট (এন ও সী) অমসুং ভিজিলেন্স ক্লিয়ারেন্স (ভি সী)গী কোপিশিংগা লোয়ননা অচুম্বা চেন্নেলদা থাজিল্লকপা কেন্দিদেটশিংদুখক্তা ইন্টরভিয়ু য়াওবা য়াহনগনি হায়রিবা ফমদুগী সোর্টলিষ্ট তৌজরবসু।

খঙজিনগদবা ৩: গভর্ণমেন্ট থবক তৌরকপদগী থবক্তগী পোত্থারবা অমসুং প্রিস্ক্রাইব তৌবা ইলিজিবিলিটি ক্রাইটরিয়াগা চান্নবা ওফিসরশিংনসু কন্ট্রেক্ট বেসিসতা ফম অসিগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি।

খঙজিনগদবা ৪: ভেকেন্সি সর্ক্যুলরনা অসিদা অহোংবা নৎত্রগা এমেন্দমেন্ট লাক্কদবা ওইরবদি এন ঐচ আই দি সী এলগী ৱেবসাইটতা খঙহল্লক্কনি।

খঙজিনগদবা ৫: মপূং ফাদবা এপ্লিকেসনশিং নৎত্রগা প্রিস্ক্রাইব তৌবা তারিখকী মতুংদা য়ৌরকপা এপ্লিকেসনশিং খুদক্তা রিজেক্ট তৌগনি।

দেপ্যুটি জেনরেল মেনেজর (ঐচ আর)

davp 37112/11/0005/2122

ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমগৎলিবা, লৈবাক শেমগৎলিবা

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref:- Mutation Case No. 464/SDC/IW-L/2021**

Angam Tingpui Raja S/o (L) R. Tomba Chiru Alise Duroing Tingpui Raja of Kangchup Chiru - Petitioner

-Vs-

Late R. Tomba Chiru S/o (L) R. Thoiba Chiru of Kangchup Chiru - OP/Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

23-12-2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার আর: তোম্বা চিরু পীতা মৃত আর: থোইবা চিরু সাং কাংচুপ চিরুগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৪৭-কোক্রককগী অনৌবা পাট্টা নং ১৫ দাগ নং ৬৫ গী এরিয়া ১.৫৪০০০ চাওবা ফৌরেল লৌফম অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector:**
IW : Lamsang

HL-P/1042/25

**IN THE COURT OF THE SUB-DEPUTY COLLECTOR: IW : LAMSANG**

**Ref:- Mutation Case No. 463/SDC/IW-L/2021**

Konthoujam Jiten Singh S/o (L) K. Manihar Singh of Haorang Maning Leikai - Petitioner

-Vs-

Late Konthoujam Manihar Singh S/o (L) Nilamani Singh of Haorang Sabal - OP/Party

**ꯅꯣꯇꯤꯁ / NOTICE**

23-12-2021

U/S 46(3) MLR & LR, Act 1960 অসিনা মরম ওইদুনা খঙহল্লি মদুদি মৃত পাট্টাদার কোন্থৌজম মণিহার সিংহ পীতা মৃত নীলমনি সিংহ সাং হাওরং সাবলগী মিংদা লৈবা ই: ও: তহশিলগী খুল নং ৬৪-হাওরং সাবলগী অনৌবা পাট্টা নং ৪৫৩ দাগ নং ১০৫ গী এরিয়া ০.১৭ চাওবা ইংখোল অসি মথক্তা পীরিবা দংকারি অসিনা মাগী মমিংদা পানবিনবা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা পাউচে অসিনা ফোঙবা নুমিৎতগী ৭ নিগী মনুংদা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বনা অপতি তৌবিনিংলবদি তৌবিবা য়াগনি। মথক্তা পীরিবা মতম অসিগী মতুংদগীদি কনা অমত্তগী অপতি লৈত্রে লৌরগা কোর্টনা মখা তাবা থবক চথুজরগনি।

Sd/- **Sub-Deputy Collector:**
IW : Lamsang

HL-P/1042/25

**ꯁ꯭ꯔꯥꯗ꯭ꯙ / শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্রায় নমঃ**



পুর্বাশ্রমদা ঐখোয় খ্বায়গা লৈমিন্নরম্বা **শ্রীমতি লৈহাওথাবম ওংবী রাধামনি দেবী**- না মাগী নুংশিজরবা ইমুং-মনুং, মচা-মশু, শাগৈ-নাতৈ, মরুপ-মপাং খ্বাই পুম্নমকপু থাদোক্লম্লগা হৌখিবা তাং ২২/১২/২০২১ ইং, পোইনুগী ১৮নি পানবা য়ুমশকৈশা নুমীত্তা শ্রীগুরুগী কৃপাদগী বেষ ওল্লগা **রাসেশ্বরি চৈতন্য দাশি** হায়বা নাম ফংজদুনা বৃন্দাবন্দ প্রাপ্তি ওইখ্রে।

লাক্লিবা তাং ২৫/১২/২০২১ ইং, পোইনুগী ২১নি পানবা থাংজ নুমীত্তা অস্থি-সঞ্চয় লৌখৎচরগা লাক্লিবা তাং ০১/০১/২০২২ ইং, পোইনুগী ২৮নি পানবা থাংজ নুমীত্তা চিড়া উৎসব দিন থোক্লে। নুমীৎ অসিদা লৈখিদ্রবীগী আত্মা শান্তিগীদমক ঙমজবা বস্তু খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কচ্চগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা ব্রাহ্ম-বৈষ্ণব, অহল-লমন, মরুপ-মপাং অমদি ইচে-ইচল খ্বাই পুম্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরিনাম শ্রবন তৌবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জবগী অপরাধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌরম পরেং ঃ-**
**অয়ূক পুং ০৮:০০ : ভেক কৎপা, অয়ূক পুং ০৯:০০ : সঙ্কীর্ত্তন হৌবা, অয়ূক পুং ১১:০০ : শ্রাদ্ধ লোয়শিনবা**

**বিনিতগণ ঃ**
**শ্রী লৈহাওথাবম জয়েন্তকুমার শর্ম্ম (মপুরোইবা)**
১। শ্রীমতি লৈহাওথাবম প্রেমাদিনি দেবী (মনাওনুপী)
২। শ্রীমতি ফুরাইলাকপম ওংবী বিনা দেবী (মচানুপী)
৩। শ্রীমতি লৈহাওথাবম ওংবী ননাও (নাওবী) (মমৌনুপী)
৪। কুমারি লৈহাওথাবম ত্রয়াম (তিমতিম) দেবী (মশুনুপী)
৫। কুমারি লৈহাওথাবম কৃষ্ণপ্রিয়া (ইতোন) দেবী (মশুনুপী)
১। শ্রীলৈহাওথাবম বিজ্ঞানন্দা (থোমাস) শর্ম্ম (মচানুপা)
২। শ্রীলৈহাওথাবম জয়ানন্দা (অপু) শর্ম্ম (মচানুপা)

**ফোন নম্বর : ৯৮৬২৯৪৬৫৪২**

HL-P/1052/25

**কৈশামথোং, মোইরাংনিংথৌ লৈরক, ইম্ফাল ৱেষ্ট।**

**ꯐꯤꯔꯣꯏ / ফিরোই**



হৌখিবা চহীদা লৈখিদ্রবী ঐগী ইশুনুপী য়ুরেমবম শীলবিয়া-গী ফিরোই লাক্লিবা তাং ০৩/০১/২০২২ ইং, ৱাকচিংগী ১ পানবা নিংথৌকাবা নুমীৎতা থোক্লে। নুমীৎ অসিদা ঙমজবা খরদং শ্রীশ্রীগৌরচন্দ্র মহাপ্রভুগী চরন্দা হরি সঙ্কির্ত্তনগা লোয়ননা কৎচগদৌরি।

উপলক্ষ অসিদা অহল-লমন, মরুপ-মপাং, ইমা-ইবেল খ্বাই পুম্নমক্না মতম চানা লেংবীরক্তুনা হরি নাম শ্রবন তৌবিরনবা অমদি প্রসাদি ফংবীরনবা পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জরি। পাউচেগী থোঙদা পাউজেঞ্জবগী অপরধ খিবিক ঙাকপীগনি।

**থৌরম পরেং ঃ-**
**অয়ূক পুং ৯:০০ - ভেগ কৎপা,**
**অয়ূক পুং ১০:০০ - সঙ্কীর্ত্তন হৌবা,**
**অয়ূক পুং ১১:০০ - প্রসাদি ফংবা।।**

বিনিতগন ঃ
**শ্রীমতি য়ুরেমবম ওংবী রমনি (মবোক)**
**শিংজমৈ মথক চোংথাম লৈকাই।**

HL-P/1045/25,27,29,31,1